হুইয়েন লানপাউ

Vol. 41, Issue No.331 | লৈবাকপোকপা, লমতা ১২নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, February 27, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকপা এগ্রিকলচর ফেয়র, ২০১৮ দা হাংলিবা ষ্টোলশিং চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংবা টিমনা য়েংবা লামায় ১


ৱাইতোনদা লৈবা এষ্টর কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী কমপ্লেক্সতা কোইলা পৈরিবা মফম অদু ঙসি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা লুচিংবা টিম অমনা য়েংশিনবা লামায় ১


সনসদ অদর্শ গ্রাম যোজনাগী মখাদা সেরৌবু মোদেল ভিলেজ ওইহনবা আউটর মণিপুরগী এম পি থাংসো বাইটেনা উরেপ-উয়ুং তন্থগী শক্তম লামায় ১


ক্বালিটি কন্ট্রোল ইন রোদ কনষ্ট্রক্সন এন্দ প্রীপরেসন ওফ ডি পি আর ফোর রোদস এন্দ ব্রিদজেস হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ হৌদোক-পগী মৈরা চুখৎপা লামায় ১

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৯.৬৮
দীজল : লিটরদা লুপা ৬০.৩২

## ট্রান্সফর তৌরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ : মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি থোকখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না আই এ এস ওফিসর অনী, এম সী এস ওফিসর মরি ফম হোংদোক-হোংজিন তৌহনখ্রে। য়াথং অসিগী মতুংইন্না এন অশোককুমারনা সেক্রেটরি টু সী এম, সেক্রেটরি (জি এ দি/ কেবিনেট এন্দ কনফিদেন্সিএল) এন্দ দিরেক্টর/ভিজিলেন্স পুরগনি। দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা জোইন্ট ...মখা লামায় ৩ কলম৪

## বিল শেংদোকপীয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ : পাউ চেশিং চাং নাইনা পাবীরিবা মীয়াম্না য়াওশঙ কুম্মৈবু হরাও তয়াম্না পাঙথাক্লবা, খৎন-চৈনবা য়াওদনা ঈংনা-চিক্লা, নুংশি-চান্ননা পাঙথোক্লনবা ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটর এসোসিএসননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। এসোসিএসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন সুশিলকুমারনা থোকখিবা চেরোল অসিনা পাউচেশিং পাবগী পীথোক্তনা লৈরিবা শেনফমশিংসু য়াওশঙ কুম্মৈ হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা পীথোকপীয়ু হায়রি।

## ঈশিং থারোই

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ : কাংচুপ ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টনা কোনবা মফমদা থা অসিগী ২৮ দগী মার্চ ২ ফাওবা মীয়ামদা ঈশিং পীবা ঙম্লোই। নুমিৎ নীনি অসিদা স্লুইস ভাল্বকা লোয়নবা ঈশিং পুননবা পাইপশিং শেমজিনগনি হায়না মেন্টেনেন্স দিভিজন নম্বর-১, পি ঐচ ঈ দিগী এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনীয়রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

### অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৫.১৪ °C | ১৩.৪৪ °C |
| চান্দেল | ২১.০৩ °C | ১১.৪৮ °C |
| সীসীপুর | ২৬.৩৬ °C | ১১.৬৩ °C |
| ইম্ফাল | ২৬.১৩ °C | ১২.৪২ °C |
| সেনাপতি | ২৩.৫০ °C | ৮.২২ °C |
| তমেংলোং | ২৭.৩৫ °C | ১১.৫৮ °C |
| থৌবাল | ২৬.৩৮ °C | ১২.৬৩ °C |
| উখ্রুল | ১৭.২৮ °C | ৮.১৪ °C |
| মণিপুর | ২৭.৭৪ °C | ৮.১৪ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৫০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## HL POLL

Q : Manipur leingakna NRC Update tounaba khudakta meetyeng changfam thok-e hai-na khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : India gi Organic Map ta Manipur yaohannaba leingakki thourang mai pakkani khanbra?

Yes 59% No 41%

## অস! লোইরেহে!

ঐখোয়গী হেদ মাষ্টরনা লোন য়েল্লেয়ে নংব্রা য়েংলুখিগে...!

ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯍꯦꯗ ꯃꯥꯁ꯭ꯇꯔꯅꯥ ꯂꯣꯟ ꯌꯦꯜꯂꯦꯌꯦ ꯅꯪꯕ꯭ꯔꯥ ꯌꯦꯡꯂꯨꯈꯤꯒꯦ...!



হৈ, মাবু বেঙ্ক মেনেজর ওইরব্রা?

ꯍꯩ, ꯃꯥꯕꯨ ꯕꯦꯉ꯭ꯛ ꯃꯦꯅꯦꯖꯔ ꯑꯣꯏꯔꯕ꯭ꯔꯥ?

# পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি রিপিল বিল এসেন্ট পীবীদনবা ওপোজিসননা গভর্ণরদা তকশিনখ্রে

### *কোর্টতা কেস মায়োক্লরিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ফম পায়রম্বা ১২ দিসক্বালিফি-কেসনদগী কন্নবা বিল পুথোরকপনি : গাইখাঙম*

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস): মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম লোইবা নুমিৎতা পাস তৌখিবা *দি মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (এপোইন্টমেন্ট, সেলরি এন্দ এলাৱেন্সেস এন্দ মিসিলিনস প্রোভিজন্স) রিপিলিং বিল*, ২০১৮ অদু নম্ফু হাফুদা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা পাস তৌখিবা বিল ওইবনা এসেন্ট পীবীগনু হায়না ঙসি ওপোজিসনগী এম এল এশিংনা গভর্ণর উনদুনা তকশিনখ্রে।

কোংগ্রেস এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা লুচিংবা কোংগ্রেসকী এম এল এ ১৩ না শাবা টিম অদুনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা গভর্ণর উনখি। গভর্ণর উনবা অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি রিপিলিং বিল অদু এসেন্ট পীদনবগা মরী লৈনবা কন্সটিট্যুসনগী ৱাফমশিং কুপ্না য়াওরবা চেরোল অমা পীশিনখি। লামায় ৫ পানবা চেরোল অদু খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ সুরজ কুমার ওক্রম অমসুং কারোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, দি দি থাইসিনা খুৎয়েক পীখি।



গভর্ণর উনরুরবা তুংদা বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা সিনিয়র কোংগ্রেস লীদর গাইখাঙমনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্লা হন্দক এসেমব্লিগী মীফমদা কন্সটিট্যুসননা য়াদবা বিল অমা পুথোকখিবসিমক লাইবক থীবনি। থৌওং অদুনা হাউসতা লৈরিবা এম এল এ পূম্ন মকপু মীয়াম মাঙদা খোঙ্গোইনবীরে।

মহাক্না হায়খি, ফেব্রুৱারী ২৩ দা লৈঙাক্লা হাউসতা পুথোকখিবা *দি মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (এপোইন্টমেন্ট, সেলরি এন্দ এলাৱেন্সেস এন্দ মিসিলিনস প্রোভিজন্স) রিপিলিং বিল*, ২০১৮ অদু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি হায়বসি কোংগ্রেসনা পংহায় হায়জিনবা নত্তে। কন্সটিট্যুসননা য়াদবা হীরম অমবু ষ্টেট এসেমব্লিগী ফ্লোরদা পুথোক্তুনা খন্নবা চুম্লোই হায়না কোংগ্রেসকী এম এল এশিংনা খূদম চাংদমক কয়াগা লোয়ননা থমখি। পুথোকখিবা বিল অদুগী ছোর্স ওফ পাৱর লৈতে, লৈরগদি পুথোকপীরকউ হায়না হায়রবা ফাওবদা লৈঙাক্লা পাউখুম পীবা ঙমখিদে। অদুবু, এম এল এ মশীং য়াম্মী হায়বগী মতাগুম বিল অদু নম্ফুদা পাস তৌখি। ওপোজিসনগী ওইনদি লৈঙাক্কী থৌওং অদু য়াদে হায়দুনা হাউসতগী ৱাক আউট তৌখি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৬৪ (১এ)গী ৯১শুবা এমেন্দমেন্ট এক্টনা মিনিষ্টরগী সাইজ অসি অপীকপা ষ্টেটশিংদনা চাদা ১২ অদুগা এম এল এ মশীং য়াম্না লৈবা ষ্টেটতনা চাদা ১৫ দগী হেনবা য়ারোই হায়খ্রে। ষ্টেট খরদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ফম হাপ্লিবসি মিনিষ্টরগী মশীং হেন্দনবা শেমখিবা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইরকপনা হায় কোর্ট ওফ পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা, কলকাটা হায় কোর্ট, মেঘলায়া হায় কোর্ট অমসুং সিক্কিম হায় কোর্টনচিংবনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পা অসি কন্সটিট্যুসননা য়াদে হায়বগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং হাপ্পগা মরী লৈনবা এক্টশিং পাস তৌখিবা লৈখ্রে। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনসু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পা হায়বসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টনা তাখিবা জজমেন্ট অসি লৈবাক অসিগী লো ওইখ্রবনি। সুপ্রিম কোর্টনা পাস তৌখ্রবা অমদি অন-কন্সটিট্যুসনেল ওই হায়খিবসি লৈবাক অসিগী মফম অমত্তদা চৎনবা য়াদ্রবনি। মরম অদুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পগা মরী লৈনবা এক্ট রিপিল তৌবা নৎত্রগা এমেন্দমেন্ট তৌবা হায়বসিসু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইরবনি। মরম অদুনা ৱাফম অসি এসেমব্লিদা খন্নবা চুম্লোই, পূন্না চৎমিন্নগনি হায়না হায়রবা ফাওবদা নম্ফু হাফুদা পাস ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## পি দল্লিয়ু দিদা মীদিয়া কোওর্দিনেটর হাপকদবনি : বিস্বজিৎ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৬ (ঐচ এন এস): ষ্টেটকী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট অমসুং মীচম মীয়ামগী মরক্তা পাউ ফাওনবা হেনগৎননবা অমসুং মীদিয়াদা টেক্নিকেল ক্লেরিফিকেসন পীননবগীদমক দিপার্টমেন্ট অসিগী এঞ্জিনীয়র খরা মীদিয়া কোওর্দিনেটর ওইনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈবা হোটেল ক্লাসিকতা ক্বালিটি কন্ট্রোল ইন রোদ কনষ্ট্রক্সন এন্দ প্রীপরেসন ওফ ডি পি আর ফোর রোদস এন্দ ব্রিদজেস হায়বা হীরমসিদা ঙসি পাঙথোকপা নুমিৎ নীনিগী ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টরনা হায়, ডিপার্টমেন্টকা মীয়ামগা পাউ ফাওনবা ৱাৎপনা ডিপার্টমেন্ট অমসুং মীয়ামগী মরীদা নেগেটিভ ইমপেক্ট পী। অদুনা মীদিয়া কোওর্দিনেটর লৈরবদি মীয়ামগা পাউ ফাওনবা হেনগৎহনবদা নত্তনা মীদিয়াদসু টেক্নিকেল ক্লেরিফিকেসন পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

লম্বী শেম্বদা লম্বীদুগী ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌবদা সাইট এঞ্জিনিয়র, কনট্রেক্টর অমসুং লেবররশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। এঞ্জিনিয়র অমসুং কনট্রেক্টর চপ মান্ননা চৎমিন্নদুনা থবক নীংথীনা তৌগদবনি। মখোয় অনীনা অঙম তান্নদুনা লৈরবদি, ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌবদা অচৌবা ফেক্টর অমা ওই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মীয়ামগী অপেন-পেন্দা, ৱাকৎশিং গভর্নমেন্টতা মীদিয়ানা খঙহল্লিবনি। অদুনা গভর্নমেন্টনা মীয়ামগীদমক হৌজিক ফাওবদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংবুসু মীয়ামদা খঙহনবসি মীদিয়াগী মথৌনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, লম্বী শেম্বগী ক্বালিটি অসি ড্রেনেজ সিষ্টেম ফত্তবা, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## সেরৌবু মোদেল ভিলেজ ওইহল্লগনি হায়না এম পি থাংসো বাইটেনা লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচএনএস): সনসদ অদর্শ গ্রাম যোজনাগী মখাদা সেরৌবু মোদেল ভিলেজ ওইহল্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচীংনা শীন্দুনা সেরৌ ময়ায় লৈকায়গী কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা আউটরগী এম পি থাংসো বাইটেনা লাউথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম পি থাংসো বাইটেনা হায়খি মদুদি ঐখোয়না অহানবদা মোদেল ভিলেজ করম তৌবগে হায়বসু খঙগদবনি। মোদেল ভিলেজ অমা ওইবা হায়বসি প্রোজেক্ট অমসুং স্কিমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবখক্কী ৱাফম নত্তে, মসি ভিলেজ অদুদা লৈরিবা মী মশা মশাদগী হৌগদবনি। মীয়াম্না লূনানবা অমসুং ইশা-ইশাগী য়ুমশিং সেনিটেসনগী ফীভম মওং তাহনবগা লোয়ননা হাইজিনিক ইনভাইরনমেন্ট অমা লৈহনগদবনি।

মোদেল ভিলেজ অমা ওইরক্লবগী মরুওইবা ৱাফম অহুম মহাক্না পনখি। ৱাফম অহুম অদুদি, লোকেল মীওই খূদিংমক আধার পায়বা, অঙাং খূদিংকপু ইম্যুনাইজ তৌবা অমসুং পোকপা অমদি শিবগী রেকোর্দ রেজিষ্টর তৌবনি। ইকোলোজিকেল বেলেন্স কায়হন্দনা থম্নবা অহেনবা উ পাম্বীশিং থাহন্নীংবগী অপাম্বসু থাংসো বাইটেনা ফোঙদোকখি।

প্রোগ্রাম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা বি দি ও লাংমৈদোং অঞ্জলি চোংথামনা হায়খি মদুদি সনসদ অদর্শ গ্রাম যোজনা/এম পি মোদেল ভিলেজ স্কিম অসি লৈবাক অসিগী মপানি হায়না শোন্নরিবা মহাত্মা গান্ধীগী ৱাখল্লোনদা য়ূম্ফম ওইবনি। স্কিম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৪গী নিংতম নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা লাউথোকখিবনি। স্কিম অসিগী গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৬ ফাওবগী মনুংদা এম পি খুদিংমক্না মশা-মশাগী কন্সটিট্যুটন্সিগী মোদেল ভিলেজ অমা খনগদবনি অমসুং কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা অহেনবা ভিলেজ অনীসু খনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মতমদুগী এম পিশিংনা ভিলেজ অহুমবু ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## হেল্থ স্কিম, মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং হৌদোকপদগী মীয়ামগী নুমিৎতা ৱাকৎ লাকপগী চাং হন্থ্রে : সী এম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচএনএস): মীয়ামগী অমসুং চীংগী লুচিংবশিংগী পূন্না পাঙথোকখিবা নুমীৎতা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মীয়ামগী তোঙান-তোঙানবা ৱাকৎ ৩৮০ রোম তাখ্রে।

ঙসি অয়ূক্কী পুং ৯ দগী নুংথিলগী পুং ১ ফাওবা মীয়াম উনবগী থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা মীওই ৮০০ রোমনা ৱাকৎ ৩৮০ থাঙ্গৎলকখি।

মীয়াম উনবগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পাউমীশিংদা হায়খি, মীয়ামগী অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা স্কিমশিং অমসুং মীয়ামগী য়াইফনবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং হৌদোকখিবদগী চীংমীশিংগী নুমিৎ অমদি মীয়ামগী নুমিৎ থৌরমদা



ৱাকৎ থাঙ্গৎলকপগী চাং হন্থরক্লে।

মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবগা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টগী পর্ফোর্মেন্স পেন্নিঙাই ওইরি। নৌনা হৌদোক্লবা স্কিমশিং অসিদগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা প্রোব্লেমশিং কোকহনবা ঙমদ্রিবা ফাওবা মীয়ামগী নুমীৎ অমসুং চীংগী লুচিংবশিংগী নুমীৎ মখা চৎখিগনি। থৌরম অসিনা মীয়াম্না ময়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং হকথেংননা তানবা নত্রগা য়েংশিন্নবগী খুদোংচাবা পীরি।

হকশেল অমসুং হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিংগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিং হন্থরকপগী ফীভম লৈরবসু মশানা মশাবু থবক পীজনবা শেলগী মতেং পীবীয়ু হায়বা মীগী মশীংদি য়াম্না লাকই। এস বি আই অমসুং মণিপুর রুরেল বেঙ্ক য়াওনা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংগী ওফিসলশিং শীজিন্নদুনা মীয়ামদা লোন পীহল্লি।

মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা এস বি আইগী ওফিসলশিংদা কনা লৈজদ্রবশিং অমসুং লায়রবশিংদা লোন ওফর তৌনবা অমসুং লোন প্রোসেসকী মতম চঙহন্দনবা খঙহনখি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ষ্টেট এগ্রিকলচর ফেয়র ২০১৮ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচএনএস): ইম্ফালগী পেলেস কমপাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইবা শুমাং লীলা শঙলেনদা ঙসি চীফ সেক্রেটরি আর আর রশমিনা এগ্রিকলচর ফেয়র, ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস,দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচরেল মেনেজমেন্ট এন্দ এক্সটেন্সন ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট ( এম এ এম ঈ টি আই) না শিন-লাঙখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী ষ্টোল ৪২ হাংখি। লৌউ-শিংউগী পোথোকশিং অমসুং লৌউ-শিংউগী থবক্তা শিজিন্নবা খূৎশু-খূৎলায়শিং উৎখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা আর আর রশমিনা হায়খি মদুদি, ষ্টেট এগ্রিকলচর ফেয়র, ২০১৮না লৌউ-শিংউগী পোথোকশিং হেনগৎহনবদা মতেং পাংগনি। মসিনা লৌমীশিংদা লৈবাক-লৈহাওগী ফীভম খঙদোক্লনবা চাংয়েং তৌবা, স্কিল দিভলপমেন্ট, লৌউ-শিংউগী লম্দা কমদৌনা অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নগদগে হায়বা খঙদোকপা অমসুং করম্না হার শীজিন্নগদগে হায়বা ৱাফমশিংগী মতাংদা দিপার্টমেন্টগা তান্নবগী খুদোংচাবা ফঙহনগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, দিপার্টমেন্ট খুদিংম্না চহী কয়ামুক লৌউ-শিংউগী পোথোকশিং হেনগৎহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মীয়ামদা থবক খ্বাইদগী হেন্না পীবা দিপার্টমেন্টসু এগ্রিকলচরনা ওইরি। লৌমীশিংনা মখোয়-মখোয়গী লৌফমশিংগী অশিন-অয়াক খঙদোক্লবগীদমক্তা লৈবাক-লৈহাও চাংয়েং তৌননবা লেবোরেটরি থল্লে। লৌউ-শিংউবগী পোথোক কয়া পুথোক্লনবগীদমক অমসুং লৌমীশিং য়াওনা মরী লৈনবা খূদিংমক্কা ৱারী-ৱাতায় শানবগী খূদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক্তা মহাক্না ওর্গনাইজরশিং অমসুং শরুক য়ারিবা পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টগী দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টি-কলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন, দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি, দিপার্টমেন্ট ওফ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## পান্থোইবী মাইক্রোফিনগী ব্রাঞ্চ ওফিস হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস): পান্থোইবী মাইক্রোফিনগী ১৩শুবা ব্রাঞ্চ ওফিস অমা ঙসি শিংজমৈ সুপর মার্কেটতা কম্পেনি অসিগী চেয়রমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর থোকচোম হেমোনা হাংদোকখ্রে।

ব্রাঞ্চ ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা কম্পেনি অসিগী চেয়রমেন থোকচোম হেমোনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি হাংদোক্লিবা পান্থোইবী মাইক্রোফিনগী ব্রাঞ্চ ওফিস অসিনা শিংজমৈ কৈথেল অমদি অকোয়বদা লৈরিবা য়াইস্কুল, ককৱা, কাঞ্চিপুর, পিশুমথোংনচিংবদা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংদা বিজিনেল লোনগী খূদোংচাবা ফংহল্লগনি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ‘চেক্কোনদা কোইলা শীজিন্নহন্নবা থৌরাং হৌরে’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচএনএস): মণিপুরদা লৈরিবা চেক্কোনশিংদা শিঙগী মহুৎতা কোইলা শীজিন্নহন্নবা থৌরাং হৌরে। চেক্কোন তৌরিবশিংনা অপাম্বা চাংদা কোইলা ফংহনগনি হায়না কঞ্জ্যুমরস এফেয়র্স ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যামনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাইতোনদা লৈবা এষ্টর কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী কমপ্লেক্সতা মতম খরগী ওইনা কোইলা পৈরিবা মফম অদু ঙসি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা লুচিংবা টিম অমনা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা কোল দিষ্ট্রিব্যুসন পোলিসিগী মখাদা থবক পায়খৎপা হৌরে। সী এ এফ এন্দ পি দি দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট নোমিনেটেদ এজেন্সী ওইবগা লোয়ননা হৌজিক কোইলা পুশিল্লকপা হৌরে। চেক্কোন তৌরিবশিং অমদি ইন্দষ্ট্রিএল য়ুনিট পায়খৎলিবা কয়াদা সী এ এফ এন্দ পি দিনা ষ্টেট নোমিনেটেদ এজেন্সী অমা ওইনা কোইলা দিষ্ট্রিব্যুসন তৌবগী থবক পায়খৎকনি। কোল শীজিন্নগদৌরিবা চাং অদুগী ফ্রেইট চার্জ কঞ্জ্যুমর নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রিএল য়ুনিটশিং অদুনা পুজগদবনি। ষ্টেট নোমিনেটেদ এজেন্সীদা চাদা ৫গী মার্জিন লাকপগা লোয়ননা ষ্টেটতা রেভিন্যু কাগদৌরিবনি। ষ্টেট অসিদা পুশিল্লক্কদৌরিবা কোইলাশিং অসি ঈ সী এল, ৱেষ্ট বেঙ্গল, বি সী সী এল, ঝরখন্দ, এন ঈ সী, মার্গেরিতা, অসামদগীনি।

চেক্কোনশিংদা য়াম্লবা শিঙ মৈ থারিবা কয়া অসি হন্থহনবা তঙাইফদে। উ য়ান্থৎলকপদগী মহৌশাগী খলদা অকায়বা কয়া লাক্লিবা অসিসু খন্থবা চঙই। মখা লামায় ৩ কলম ২

## সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচএনএস): তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসনগী তোলোপ পীননবা দিমান্দ তৌরদুনা হয়েংদগী মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং থবক লেপ্পনবা লৌরম্বা ৱারেপ অদু মার্চ ৭ ফাওবা হন্দোক্লে হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্ট সার্ভিসেস ফেদরেসননা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমনা হায়রি। মতম খরা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক য়ৈথোকপগী মরুওইবা মরমদি থা অসিগী ৭কী অয়ূক পুং ১১ তাবদা চীফ মিনিষ্টর উননবা সেক্রেটরি টু সী এমনা খঙহল্লকপদগীনি হায়রি।




## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



NARENGBAM SAMARJIT SINGH
Chairman & Managing Director
SALAI Holdings Private Limited

হৌখিবা ফেব্রুৱারিগী তাং ২০, ২০১৮ ইংদা **New Delhi** দা পাঙথোকখিবা **INDIAN ACHIEVER FORUM** গী ৪৪ শুবা **MAKE IN INDIA: Creating & Enabling Environment for Entrepreneur** হায়বা ফোরমদা ***SALAI Holdings Pvt. Ltd.*** কী ***CHAIRMAN & MANAGING DIRECTOR*** ওইবীরিবা **Narengbam Samarjit Singh** না **"INDIA ACHIEVERS' AWARD FOR EMERGING COMPANY"** হায়বা এৱার্দ অসি ফঙলকপদা **WELFARE CLUB, TERA AMUDON AKHAM LEIKAI** গী **Club Member** শিংগী মায়কৈদগী ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

লোয়ননা মতুংদসু ***Chairman*** না অসিগুম্বা ***Entrepreneur*** গী লমদা রঅহেনবা থবক কয়া তৌবীরকখিগনি অমদি ঐখোয় ময়ামগী চাউথোকচনিঙাই ওইবা মীংচৎপু পুবীরকখিগনি হায়বা থাজবা থমজরি। ঐখোয়গী নুংশিজরবা ***Chairman*** না পায়খৎপীরকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা অয়েৎ-অপন য়াওদবা ওইহনবীয়ু হায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

*নুংঙাইবা ফোঙদোকচরিবা ঃ* **Members**
**WELFARE CLUB**
**Tera Amudon Akham Leikai, Imphal West, Manipur**

HL-P/646/27